**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কাংপোকপী-তামৈ রোডতা ঙসি অয়ুক খুৎলায় পায়বশিংনা গাড়ি অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই মরি শিরে, অমনা শোক্লে।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা অৰাংবা থাক্কী সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

৩) ৬১ শুবা চাহ্লাম খোঙচৎ নুমিৎ ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না শিনদুনা ঙসি পাঙথেকখ্রে।

৪) উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়রি- মণিপুরদা লৈরিবা ৱেটলেন্দশিং নিংথিনা য়োকখৎপা অমসুং কনদুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

অমসুং

৫) নেপালদা খঙহৌদনা থোরকপা ঈশিং ঈচাওদা শিখিবা মীগী মশিং ৩০০ হেনখ্রে, মীওই লিশিং ১,৩০০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি।

**------**

এম্বুস (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী কাংপোকপী-তামৈ রোডতা ঙসি অয়ুক খুৎলায় পায়বশিংনা গাড়ি অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই মরি শিরে, অমনা শোক্লে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী এ. হেখিনিনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- মীওইশিং অদুনা মকুইদগী সেনাপতি তমা লাকপদা মকুই অসাং মনাক্তা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদু হেক থোকখিবগা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং মফম অদুদা চংশিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক চখ্থরি। মখা তাবা পাউ ঙাইরি।

অমরোমদা, থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা সেনপাতি জিলা টোতেল সটদাউন লাউথোকখ্রে।

কাংপোকপীদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা মহাকা সেক্যুরিতি ওফিসিয়েলশিংদা হিংশাগী থৌওং চখ্থখিবা মীওইশিং অদুবু ফাদুনা আইনগী ওইবা দন্দি পীননবা পাউতাক পীখ্রে।

অমরোমদা, গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- শোক্লবা মীওই অদু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু। মহাকা হায়- থৌওং অসিনা নাগা কাংলুপকী মীওইশিংদা খোইরাং খোইশাওনবা কয়া পোকহল্লে। শান্তি পামজবা মণিপুরগী মীয়ামা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা থৌওং অসিনা শান্তি পুরকবা লম্বীদা অকায়বা ওইহল্লে।  অরানবা তৌবশিং আইনগী মতুংইন্না চৈরাক ফংগনি। হৌজিক চখ্থরিবা শান্তিগী খোঙথাং অসিদা অয়েৎ অপন পীরকপশিং অমত্তা লেমা থারোই হায়রি।

সিএম (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা অৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু মুখ্য মন্ত্রি ওগষ্ট ১২ দা রাজ্য অসিদা আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎলায় পায়রিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী খুৎলায় অদু নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীখৎলকবা খঙহনখ্রবা মতুংদা ঙসি পাঙথোকপনি।

মীফম অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমনা আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎলায় পায়রম্বা অমদি লোৎতুনা থম্লম্বা থেংনরবদি মহাক্কী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা য়ান্নখি। হৌজিক সরকারগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন নত্রগা শান্তিগী ৱারী শান্নরিবা লুপশিংগী কেদরশিংনা মখোয় মখোয়গী দিজিকনেতেদ কেম্পকী ৱাংমদা খুৎশু খুৎলায় পায়দুনা চৎলম্বা থেংনরবদি থবক লৌখৎনবসু য়ান্নখি। মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, দি.জি.পি মুকেশ সিংহ, কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি (নোর্থ ইষ্ট), রাজ্যগী হোম কম্মিসনার অমসুং পুলিস, সি.আর.পি.এফ, অসাম রাইফলস, আর্মি, ইন্তেলিজেন্স, বি.এস.এফ, এস.এস.বিগী মকোক থোংবা ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

চাক্লাম খোঙচৎ (এল)ঃ ৬১ শুবা চাক্লাম খোঙচৎ নুমিৎ ঙসি ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না শিনদুনা পাঙথেকখ্রে। ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগী মফম কয়াদা য়াকাইরোল শক্তুনা নীংশিং থৌরম অসি হৌখি। ইম্ফালগী পিশুম চিংঙামচা লৈবা মহৈরোইশিংগী নীংশিং খুভমদা লৈ-শু কৎতুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, দি.এম. য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা লৈবা এমশু হেদক্বাটরস ফাওবা মীয়ামগী রেল্লি অমা চৎলবা তুংদা, মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

জিরিবাম জিলাদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকখি। মহৈরোইশিংনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা খোঙচৎ চৎলবা মতুং মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

বসন্ত (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা আর্টস সোসাইতি মণিপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ৩১ ফাওবা চত্থগদবা স্পেসিয়েল একজিবিসন ওফ পেন্টিংস, হান্নগী মন্ত্রি, নম্বোল কেন্দ্রগী এম.এল.এ- থৌনাউজম বসন্তকুমারনা ঙসি হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা

ঙাংবদা শ্রী বসন্তকুমারনা হায়- মেলা অসিদা খুৎহৈবশিংনা য়েকপা তোঙান তোঙানবা মখলগী অয়েকপা লাই ৩০ রোম অসি তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক পীবা ঙম্বা অয়েকপা লাইশিংনি। মসিনা আর্টিষ্টশিংগী তোপ তোপ্পা হৈথোই শিংথোইবশিং অদু ময়েক শেংনা উৎলি। অসিগুম্বা মেলা অমা পাঙথোকপা হায়বসি য়ামা থাগৎনিঙাইনি হায়না শ্রী বসন্তকুমারনা ফোংদোকখি।

মেলা অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা নুংতিগী অয়ুক পুং ১১ দগী ৫ ফাওবা চথগনি হায়রি।

দিসি (এল)ঃ নেপালদা হৌজিক ঈচাউ মায়োকরিবা অদু য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা কনাগুম্বা মীওইশিং মরী মতাশিং নত্রগা মশক খঙবা মীওইশিং করিগুম্বা নেপালদা চৎখিবা য়াওরবদি মখোয়গী মমিং মথা, লৈফম, তেলিফোন নম্বর, চৎখিবা নুমিৎকী তারিখনচিংবা অকুপ্পা মরোল খঙহল্লকবা হায়রি। জিলা অসিগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মসি নেপালগী ওথোরিতিগা পাউ ফাওনরগা মীওইশিং অদু তেক্ত-কায়দনা লৈহন্নবা অমদি মখোয়দা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি। নেপালদা চৎখিবা মীওইশিং অদুগী অকুপ্পা মরোলশিং পোরোমপাৎকী এস.দি.ওগী তেলিফোন নম্বর- **70056 15137**, এস.সি.ও কৈরাওবিত্রগী তেলিফোন নম্বর- **92332 87917** অমদি এস.দি.ও শওম্বুংগী তেলিফোন নম্বর- **87874 18347** দা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

লোসি (এল)ঃ উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা হায়রি- মণিপুরদা লৈরিবা ৱেটলেন্দশিং নিংথিনা য়োকখৎপা অমসুং কনদুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

উপ-মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা মণিপুর ষ্টেট ৱেট লেন্দস ওথোরিতিগী ৬ শুবা মীফম মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সিভিল সেক্রেতরিয়েটকী উপ-মুখ্য মন্ত্রিগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখি। রাজ্যগী ফোরেষ্ট,

ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী থোসু পুরিবা উপ-মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙসি খন্নরিবা ৱাফমশিং অসি য়াममক মরুওই অমসুং খন্ন- নৈনরবা মতুংদা লৌরকপা ৱারেপশিং থবক্তা ওন্থোকপা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী দিরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমারনা ৱাফম ৫ য়াওবা চেরোল অমসু পাথোকখি। লোয়নননা ওথোরিতিগী মেম্বর খুদিংমকা মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিং কনদুনা থমবা দাইত্ব খঙনবা থবক তৌবগী তঙাইফদবা অদুসু পনখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লম্বীদা অসামগী জিরিঘাৎতগী জিরিবামলোমদা চংলকপা ওতো রিক্সো অনি অমসুং কার অমা চ্যেক তৌবদা য়াম্লবা য়ুঙাংশিং ফাগৎলে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু লুপা লাখ ৪ লিশিং ৩৯,২০০ রোমগীনি। ফাগৎলবা য়ুশিং অদু পুলিসনা জিরিবাম জিলাগী এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা শিন্নখ্রে হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা ওতোনোমস বোদি অমা ওইনা লৈরিবা ডাঃ অম্বেদকর ফাউন্দেসন্না সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইবকী মীওইশিংদা অরুবা লায়নাশিং লায়েংবদা শেলগী তেংবাং পীগদৌরি। চহি ১ দা লুপা লাখ ৫ য়ৌদনা ইনকম লাকপা কাংলুপ অসিগী মীওইশিং লায়েংবদা তেংবাংশিং অসি পীগনি। মসিগীদমক অনাবা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা নমথোক্লবা ফোর্মদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। নমথোক্লবা ফোর্ম ডাঃ অম্বেদকর ফাউন্দেসনগী ৱেব সাইটতগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস বিষ্ণুপুরদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ  এনিমিয়া লায়না লৈহন্দনবগী পান্দমদা এনিমিয়া মুক্ত ভারতকী নোংমগী ওইবা ব্লোক লেবেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

এনিমিয়া মুক্ত ভারত  থৌরাংগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা পান্দমদি- লৈবাক অসিদগী এনিমিয়া লায়না পুংমুৎ মুথৎখিনবা হেলথ ৱার্করশিং অমসুং ষ্টেগ হোল্ডরশিংদা নিংথিনা খঙহনবনি। মখোয়না অঙাংশিং, ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিং, মীরোনবীশিং অমসুং খোমজিংলিবী মমাশিংবু লেমা এনিমিয়া লৈব্রা খঙদোকবা টেষ্ট তৌবগী থৌরাং পায়খৎলিবা থৌরাং অদু মমুৎ তানা খঙহানবনি। হেলথ ৱার্করশিংনা হায়রিবা মীওইশিং অসি লেমা টেষ্ট তৌথোক্তুনা লায়না অসি লৈব্রা লৈতব্রা খঙদোকবা হোৎনগনি হায়রি।

ককচিং (এল)ঃ  ককচিং জিলাগী ককচিং লাইথগোল লৈবাক অমসুং পুংতিং পরেংগী লন্বীশিং চেক থাদুনা শেম্বা লোইরবা মতুংদা ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ঙসি মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। লন্বীশিং অদু মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা শ্রী রামেশ্বরনা হায়- কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা লন্বীশিং অয়াম্বা চেক থাদুনা শেম্বগী থবক চথরি। অতৈ লন্বীশিংসু মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ  নিউ হোপ  নিউ ফাউন্দেসন ফোর দিসএবিলিতিজনা চহি খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাগী লৈমারামদা মীয়ামগা মীমান্নদ্রবশিংদা পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীমান্নদ্রবশিংনা মখোয়না হৈজবা থৌরম কয়া উৎতুনা মীয়ামগী পুকিং শুমহৎপা ঙমখ্রে। মসিনা মীমান্নদ্রবশিংদা ঈশ্বরনা তোপ তোপ্পা মগুন অমা পীথোরকই হায়বদু ময়েক শেংনা উৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

হোমগার্দ (এল)ঃ হোমগার্দ পার্সোনেলশিংগী দিয়ারনেস এল্লারেন্স হেনগৎনবা অমসুং রসন মনি পীনবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাখিবা ৱাকৎকী অরোইবা হিয়ারিং মথং থাগী ২৪ দা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা খন্নরগনি হায়রি। হোমগার্দ পার্সোনেলশিংনা তাল্লিবা দাবীশিং অচুম্বনি অমদি মসিবু থবক্তা ওন্থোকবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট, সুপ্রিম কোর্টনা ইং ২০১৫ গী মার্চ ১১ দা রাই তাখ্রবনি। মরম অদুনা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা সুপ্রিম কোর্টকী রাই অসিবু ইকায় খুমবগা লোয়ননা মসিগী ৱায়েল অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা হোমগার্দ পার্সোনেলশিংনা কোর্টকী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

লিলোং (এল)ঃ কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফ্যোর দিলিমিতেসনগী মীৎয়েং মখাদা লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীদা লৈবা দারুল উলুমগী কমিতিনা শিন দুনা ঙসি এন.আর.সি তৌদ্রিঙৈদা মীকোক থীবা য়ারোই। আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিন্দ্রিঙৈদা মীকোক থীবা য়ারোই হায়বা ৱাখল্লোনদা খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা নো এন.আর.সি-নো সেন্সস, নো আই.দি.পি সেট্টলমেন্ট-নো সেন্সস হায়না থাবা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি।

ফেরজোল (এল)ঃ ফেরজোল জিলাদা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমদি লল্লোনবা থিংনবগী পান্দমদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সভাপতি ওইদুনা জিলা থাক্কী নার্কো কোওর্দিনেসন সেন্তরগী মীফম অমা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা চ্যেক পোষ্টশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি জিলা অদুদা ড্রগ পুশিল্লকপা থিংনবা অকনবা থবক পায়খৎনবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

নেপাল ঃ নেপালদা খঙহৌদনা থোরকপা ঈশিং ঈচাওনা শিখিবা মীগী মশিং ৩০০ হেনখ্রে, মীওই লিশিং ১,৩০০ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি।

টিবেৎতগী হৌরকখিবা ঈচাও অদুনা নেপালগী খুল, থোং, য়ুম-কৈ অমদি মরুওইবা হাইড্রো পৱার প্রোজেক্ট কয়া অমাং অতা থোক্লে। হৌজিক ফাওবদা ভারত মচা ১৭৮ থিবা খঙদনা লৈরি।

কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা হায়- ঙসি ভারত মচা ২১ কনবা ঙমখ্রে। মখোয় কাঠমন্দুদগী ভারত্তা পুরক্লগনি। মীওইশিং অসি তামিলনাদুগী কৈলাস মনসরোভর য়াত্রা য়াওবা চৎপনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা মতমগা চুনবা মওংদা শেমগৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিশিং অমদি ত্রেনিং সেন্তরশিং লিংখৎতুনা হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোই কয়া পুথোকবা থৌরাং তৌরি।

নেসনেল স্পোর্টস ডেগা মরী লৈননা পাঙথোকপা খেল্লো ইন্দিয়া দাইলোগ থৌরমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- শান্নবা হায়বসি তকমান খক্তমক ফংনবা হোৎনবদু নত্তে। শান্নবনা লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং নিংথিনা শেমগৎপীবা অমসুং মপুং ফানা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক শিনবা থুংবদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা শান্নবগী লমদা হৈথোই শিংথোইরবা নহা কয়া লৈরি।

চহি মঙাদগী তরা মঙা ফাওবদা লৈবা শান্নবদা থোইদোক হেন্দোকা হৈথোই শিংথোইরবা অঙাংশিং খঙদোকবা সরকারনা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা শান্নবগী লম অসি লৈবাক অসিগী য়ামা মরুওইবা লম অমা ওইবতা নত্তনা নহাশিংবু শক্তি পীরি। মহাকা হায়- নেসনেল স্পোর্টস গভর্নান্স এক্টনা মগুন লৈরবা শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎনবগী চপ মান্নবা মীৎয়েং মখাদা খুদোংচাবা কয়া পীরি। অফবা মখলগী স্পোর্টস ইকো

সিষ্টেম শেমগৎনবগী পান্দমদা কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৩৬ কাইথোক্লে হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

খেল্লো (এল)ঃ  নেসনেল স্পোর্টস ডেগা মরী লৈননা খেল্লো ইন্দিয়া দাইলোগ ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

এন.এস.এস সেল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমসুং মাই ভারত ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এম.এ.এল করাম শ্যামনা হায়-ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু মপুং ফানা চাওখৎপা লৈবাক ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অসিগী শান্ন-খোৎনবগী লম নিংথিনা শেমগৎনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা খেল্লো ইন্দিয়া স্কিম অসি হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিবু শিংথারদুনা মহাকা হায়- স্পোর্টস ওফিসিয়েলশিংনা স্কিম অসি থম্মোয় শেংনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকপা তঙাইফদে। থৌরম অদুদা রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টসকী সেক্রেতরি এন. প্রবিন, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার হেমন্টকুমার অমদি অতৈ ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদসু খেল্লো ইন্দিয়া দাইলোগকী থৌরম ঙসি পাঙথোকখি। জিরি কলেজগী এন.এস.এস য়ুনিতনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা দিপ্যুতি কম্মিসনার অরবিন্দ হংলেম, এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং জিরি কলেজগী প্রিন্সিপাল শরুক য়াখি।

নেসনেল স্পোর্টস ডেগী মাংওইননা পাঙথোকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খেল্লো ইন্দিয়া দাইলোগকী থৌরম থৌবাল জিলাগী থৌবাল কলেজদসু পাঙথোকখি। কলেজ অসিগী এন.এস.এস য়ুনিত ৱান, টু, থ্রি, এন.সি.সি, ইন্তরনেল ক্বালিতি ইন্সুরেন্স সেল অমসুং মাই ভারত থৌবালনা পুন্না শিন্দুনা কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখি।

------